থম্মোয় পাউদম

# মণিপুরদা ফিল্ম ঈশৈ

ফিল্ম ঈশৈ হায়বসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীপূম খূদিংমক্কী পূন্সিদা, নহা-অহল খাক্তনা কোকঙমদ্রবা মচু শঙলিবা, কোকপা ঙমদবা পোৎশক অমা শোয়দনমক্কী ওইরম্মি। ঐগী পূন্সিসিদসু মথোৎ কারক মতমদগী য়ূম্বান-পূন্সি চঙলকপা মতম অদুৱাইফাও' 'হিন্দি ফিল্ম' অমদি ফিল্মশিংদুই ঈশৈনা চাউরবা মফম অমা কন্দুনা লৈখি। য়ু পিদা কোলেজ তম্লিঙৈ মতমদুদা হিন্দি ফিল্ম ঈশৈ লিশিং অমা-অনী ফায় হায়বগী কান্নদবা নাপন অমা লৈজরম্মী। বেঙ্ক'তা থবক তৌর'তুং গৌহাটিদা ট্রেনিং চৎপদা, ঐগী মরূপ দোলেন শর্ম্মানা মমান্নবা মীতৈ অমা থেংনবদা ঐবু শক্তাকপদা ৱাফমদু হায়রুঙৈদা, মমান্নবদুনা 'ওইথোক্তবা ৱানি' হায়রকপদগী শেল থানরগা হোটেল রুম অদুদা (হোটেল ব্লু-দাইমন্দ) হ্বিসকি পেগ খরনা ইনর্জি হাপ্লগা হিন্দি ঈশৈ চাম শকখিবদু নীংশিংলকই।

পাউদমসিগী ৱাহৌ ওইনা ৱাফম'সি ইজরুবদি- ফিল্ম ঈশৈ হায়বসি অনৌবা মীরোল অসিদদি থাদোকপা য়াদ্রবা কলচরগী শরুক অমা ওইখ্রবগুম্বনি হায়বদু হায়জনীংলুবদুননি। রেদিওনা ঐখোয়গী ঈরক্তা থুংলখিবা (ওল ইন্দিয়া রেদিও হৌদোকখিবা) নুমীৎ অদুদগী ঙসি ফাওবা, মওং অমা নৎত্রগা অমদা ফিল্ম ঈশৈ শন্দোক্তবা নুমীৎ লৈরম্লোই। ইন্দিয়াগী করম্বা ইমুংদা ফিল্ম-ঈশৈ তাদবা মীওই কয়া লৈরমগদগে? খূৎ থেকপা য়াখিগনি।

ৱারেংসিগী 'থিম' ওইনা 'হিন্দি ফিল্ম'বু করিগী লৌখৎলুবনো? মরম অদু শেংদোকচগে হান্ননা। ১৯৯৪ দা পাউদমজরিবা ঐহাক্লা ফিল্ম স্ক্রিপ্ত অমখক শাগৎচখিবদুগী রিলেভেন্স ঙসি ফাওবা লৈরম্বদুদা মরূপ অমনা প্রোদ্যুসর পুথোক্লগে নম্লসি হায়রকপদুদা নোংমা, ঙসিমক য়ঙ-য়ঙ ফিল্ম তৌরিবা ঈনাও অমগা চীক্লা ফম্মীন্নদুনা ৱারী শারুই। কেজুয়েল তোক ওইরগসু ৱারী অদু সিরিয়সনি, একাদেমিক দিসকোর্স অমগুম্বনি। কম্মর্সিয়েল ফিল্মগী মোদেলদা শাগৎপমক নৎত্রবসু ঐগী ফিল্ম অসিদা ঈশৈ অহুম তঙাইফদনা চঙগনি হায়রুবদা ইনাওদুনা হায়রকখি, 'তামো! হৌজিক্তি ফিল্মদা ঈশৈ হাপ্নদ্রে, তঙাইফদবা লৈরবসু য়াম্লবদা অমা'!

ফিল্মসিদা করিগী ঈশৈ? অচৌবা দিসকসন অমা মথৌ তারক্কদৌরে। মহাক্কী থাজবা, ঐগী অপাম্বা-অনীগী তায়ওন্নবা মতৌ, কান্নদবা এক্সর্সাইজ অমা ওইরগনি খন্দুনা ঐ তূমিন লৈখি। ঈবান্নিগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবদু রেস্পেক তৌই ঐ। লৈকোন্দা/লমহাঙদা

জগোয় শাদুনা ঈশৈ শকপনা ফিল্মগী ক্বালিটি মাঙহল্লি, এস্থেটিক ভেল্যু হন্থহল্লি... কনাগুম্বা খরগী মরৈনি।

ইন্দিয়ন ফিল্ম'দা ঈশৈ করম্না য়াওখিবনো? ফিল্মগী শেত্তোকপা য়াদ্রবা শরুক অমা করম্না ওইখ্রিবনো? শাংলবা ৱারী অমনি। অচৌবা নেসন অমগী কলচর অমগী ৱারীনি। ইন্দিভিজ্যুঅল ফিল্ম মেকর খরগী ৱারী নত্তে। ফিল্ম! অয়েংববু নুংঙাইহনবা, ঙাইহাক পোত্থাহনবনা ফিল্ম অমা নম্বগী মরু ওইবা পান্দম ওইরকই। ফিল্ম ঈশৈ, কনাগুম্বা ফিল্ম মেকর/দাইরেক্তর অমগী মরন্নাই 'ক্রিয়েসন' অমা নৎখিদে। মথায় থায়না মমাংঙৈদগী লমদমসিদা লৈরক্লবা রামলীলা, নৌতঙ্কি, তমাশা'নচিংবা ত্রেদিসনেল পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্মশিং অমদি পার্সি-থিয়েটর'না অঙনবা মতমগী ফিল্ম- মেকরশিংদা ঈথিল পীদুনা অয়েংবশিংবু নুংঙাইহনবা (এন্টরটেন তৌবা) মরু ওইবা পান্দম অমা ওইরকখি। এন্টরটেনমেন্ট ইন্দষ্ট্রি- অয়েংবশিংবু এন্টরটেন তৌদ্রবা, পান্দম অদু ফেল ওইরে।

অসুম্না অয়েংবশিংবু নুংঙাইহন্নবা শেমগৎলমখিবা তোপ- তোপ্পা ফিল্ম আর্ট অমনি ইন্দিয়ন ফিল্ম সোং/ সোং পিকচরাইজেসন। নোংচুপলোমগী ম্যুজিকেল ফিল্মশিংগী মচৎকা, ইন্দিয়ন ফিল্মগী মচৎকা, অনী অসি মান্নদে। ইন্দিয়ন ফিল্ম সোং ৱেষ্টর্ন ম্যুজিকেল ফিল্মগী মমি নত্তে।

মান্নদবা কলচরেল বেকগ্রাউন্দ অমা লৈজরগসু মণিপুর, ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুং কাইনথংদা থোক্লকখিবা মণিপুরী ফিল্মদি ইন্দিয়ন ফিল্মগী দাইরেক মমিনি। ইন্দিয়ন ফিল্মগী মহাওদা হৈনখ্রবা মণিপুরী সিনেমাগী অয়েংবশিংগীদমক নম্লকপা মণিপুরী ফিল্মশিংদা হিন্দি ফিল্মগী মমি তাবা হৌনশানি। অসুম্না, ফিল্ম ঈশৈ-মণিপুরী ফিল্মশিংদসু শেত্তোকফদ্রবা মচল অমা ওইরকই।

সত্যজিৎ রাই থোক্লকপদগী ইন্দিয়ন ফিল্মগী অতোপ্পা শকওং অমা থোক্লকখিবগুম, অরিবম শ্যাম শর্ম্ম'না মেইনষ্ট্রিম সিনেমাদগী নাথৈদুনা 'ঈমাগী নিংথেম' নম্লকখিবদগী মণিপুরী সিনেমা'গীসু অতোপ্পা শক্লোন অমা থোক্লকখি। কম্মর্সিয়েল সিনেমা অমদি ওফ-ট্রেক/ওফ-স্ত্রিম সিনেমা। মনা-মথুম ফংগদবা (এৱার্দ ৱিন্নিং) ফিল্ম হায়বসি অকোনবগী ফিল্ম মখল (আর্ট ফিল্ম) ওইগদবনি হায়বা ৱাখল অমা ফিল্ম- মেকরশিংদা লৈরকখি।

কুমজা ২০০০ দগী হৌদুনা, ইখঙ খঙহৌদনা লমদমসিদা হিন্দি-ফিল্ম কাপ্পা য়েংবা অনীমক অথিংবা থম্লকখিবদগী মণিপুরী সিনেমাগী পূম্নৌ নৌবা মপোক অমা মতম চঙনা পোক্লকখি। ফিল্ম মেকিং হায়বসি ভিদিও কেমেরা পায়বা হৈরবদি য়ারবনি হায়বই ৱাখল অমা খন্নরকপই মমি তারকখি। মশীং খঙদ্রবা ফিল্ম চহী খূদিং পুথোক্লকখি। নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল ফিল্ম তাইবংদগী মণিপুরী ফিল্মগী ফিদা তপ্না-তপ্না মাঙলকখি। মণিপুরগী ইন্টরনেসনল ফিল্ম আইকন দোক্যুমেন্টরি ফিল্মদা মায় ওনশিনখি। সিনেমা হোলশিংদগী সিনেমানা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবদা থোঙ লোনবা তারকখি। পোপ্যুলর ফোর্ম ওফ আর্টনি হায়নবা 'সিনেমা', অমুক হন্না পোপ্যুলর ওইরকখিনি থাজদ্রে। হিন্দি ফিল্মনা মোনোপোলি তৌরম্বা মণিপুরগী ফিল্ম- মার্কেট, মণিপুরী ফিল্ম খক্তগী কৈথেল ওইবা হৌরক্লম্বদুসু ঙসিদি অমুক তাকশিল্লক্লে। ঙসিদি মণিপুরী ভিদিও ফিল্ম ইন্দষ্ট্রি মার্কেট ইকোনোমিদগী লাপখরে। মুৎলমদাইগী সিন্দ্রোমনি।

কোল্লমসিদা নৈননীংলবসু নৈনবা য়াদবা, হায়নীংলবসু হায়বা য়াদবা মরম ( ফেক্টর) ময়াম অমা লৈরি- মণিপুরী ফিল্ম'না শিথখিবগী, খাঙেনফমদা হীপখিবগী। মরী লৈনবশিং! মুন্না অমুক্তা খন্নবীয়ু। মণিপুরী পোপ্যুলর সিনেমা'না মুৎখিবা, ফিল্ম ঈশৈ'না ফিল্মদই বিদায় লৌখিবসু মরম অমনি। ফিল্ম-ম্যুজিক অমদি ফিল্ম ঈশৈ-ফিল্ম কৌবা আর্টসিগী আর্টিষ্টিক এক্সপ্রেসন অমনি। আর্ট অদু করম্না শীজিন্নবগে হায়বদুই মখা পোনবনি- মদুনা লম অমগী কলচর'দা করম্না ইনফ্লুয়েন্স তৌবগে? ফিল্মনা ইনফ্লুয়েন্স তৌহনবা নৎতবা, কলচরনা ফিল্ম'দা ইনফ্লুয়েন্স তৌহনগদবনি। অদুবু কৌই অফবা ফিল্ম মেকর।

ফিল্ম ঈশৈ হায়বসি ফিল্মদুগী ম্যুজিকনি। ম্যুজিক্কী মতেং য়াওদনা য়েংবা য়াবা ফিল্মবু কনানা কৈদৌঙৈ পুথোকখ্রগে? সাইলেন্ট ইরাগী চেপ্লিন-ফিল্ম-ময়ামদুসু ম্যুজিক্কী মতেংনা ক্লাসিক-ফিল্ম ওইহনখিবনি।

লৌশিং পুক্কে

# মতম শাংনা থবক শুবনা হকচাংদা পীবা চৈথেং



হেঞ্জিন্না থবক শুবা মীওইশিং দিপ্রেসন অমসুং এঞ্জাইটিনচিংবা ৱাখল লায়নাগী রিস্ক ৱাংই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। নোর্ৱেদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বর্জেনগী ক্লিনিকেল সাইকোলোজিষ্ট সেসিলি স্কো এন্দ্রিসননা হায়খি, অঙম তান্দুনা লোইশিলহৌদবা য়াদে হায়বগী মওংদা নুমীৎ খুদিংগী কা হেন্না থবক শুবা মীওইশিং এঞ্জাইটি, দিপ্রেসন, এটেন্সন দিফিসিট হাইপরএক্টিভিটি দিসওর্দর (এ দি ঐচ দি) অমসুং সবসেসিভ কম্পলসিভ দিসওর্দর (ও সী দি) নচিংবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরকপা য়াই।

অমরোমদা মতম শাংনা সিভিল সর্ভেন্ট ১০,০০০ রোম চথুরকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, নুমীৎ খুদিংগী মতম শাংনা থবক শুরবদি থম্মোয়গী লায়না অমসুং হার্ট এটেক্কী রিস্ক ৱাংখৎলকই। য়ুরোপিয়ন হার্ট জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মফম খুদিংমক্তা নোংমগী পুং ৭ খক থবক শুবা হয়বসি মতম চপ চারবনি। নুমীৎ খুদিংগী পুং ৩ শাংথনা থবক শুবা তারবদি থম্মোয়গী লায়না ওইরকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৬০ রোম হেনগৎলকই।



রিছার্চরশিংনা মশাগী ৩৯ অমসুং ৬১ গী মনুংদা লৈবা মীওই ৬০০০ লোমগী মওং মতৌ কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। মরক মরক্তা পুং ১ নৎত্রগা ২ হেন্না থবক শুবদা অকায়বা লৈতে। অদুবু নুমীৎ খুদিংগী পুং ৩ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না থবক শুরবদি কোরোনরি হার্ট দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৬০ রোম হেনগৎলকই হায়না য়ুনিভর্সিটি কোলেজ লন্দন অমসুং ফিন্নিস ইনষ্টিট্যুট ওফ ওক্যুপেসনেল হেল্‌থকী রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি। ওইথোকপা য়াবা মরমশিংগী মতাংদা রিছার্চরশিংনা হায়খি, মপুং ফানা পোত্থাবা ফংদবা মরম্না হার্ট দিজিজগী রিস্ক হেনগৎলকপা ওইরম্বা য়াই। অমরোমদা হেলসিনকিগী ইপিদমিওলোজিষ্ট ডা. মেরিয়ানা বির্টানেননা ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না নুমীৎ খুদিংগী মতম শাংনা থবক শুবা মীওইশিংগী মেটাবোলিক প্রোসেসতা অকায়বা থোরকই হায়রি।

মালেম অপূনবগী ওইনা থম্মোয়গী লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলকপগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ গ্লাসগো ৱেষ্টর্ন ইনফর্মরিদা ক্লিনিকেল ফার্মোকো-লোজিগী প্রোফেসার ওইবা গোর্দন মেকলিন্সনা হায়খি, মথৌ কা হেন্না চিনবা মীওই খুদিংমক মরক মরক্তা ছুটি পীদুনা পোত্থাহনবা তারবদি হার্ট দিজিজ নাবগী চাং হন্থরকপা য়াই। মীপুম খুদিংমক থবক শুবা অমসুং পোত্থাবগী মতাংদা খল মান্নহনগদবনি। থবক শুবনা হকচাং ফহনবদা মতেং পাংই। অদুবু হেঞ্জিনবা মওংদা থবক শুবা তারবদি হকচাং শোকচিল্লক্লবগী মরম ওইরকই।



বৃটিশ হার্ট ফাউন্দেসনগী সিনিয়র কার্দিয়ক নর্স কেথি রোজনা হায়খি, গভর্ণমেন্টকী ফমথোল ৱাংবা থবক তৌবা মীওই ওইরবসু নৎত্রগনা প্রাইভেট সেক্টরদা থবক তৌবা মীওই ওইরবসু হীরম অসিগী মতাংদা মুন্না খন্থবা মতম ওইরে। মতম শাংনা থবক শুগদবা ওইরবদি মরক্তা ঙাইহাক হৌগৎলগা খোঙকাপ ৫/১০ চৎকদবনি। লিফ্‌ট শীজিন্নবগী মহুৎ সিরি থাক্তা ওইনা কাখৎ-কুমথ তৌগদবনি অমসুং মরক্তা অচোই অপা চাবদা বিস্কুইটকী মহুৎ উহৈ-ৱাহৈ ওইনা চাগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি কোলেজ লন্দনগী সাইন্টিষ্টশিংনা কন্টিনেন্ট অহুমদা চথুখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মতম শাংনা থবক শুরিবমখৈ হার্ট দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্কসু হেনগৎলকই। লেন্সেট মেদিকেল জর্নেলদা ফোঙলকখিবা য়ুনিভর্সিটি কোলেজ লন্দনগী প্রোফেসার ওফ ইপিদমিওলোজি মিকা কিবিমেকিনা হায়খি, চয়োল অমদা পুং ৫৫ দগী হেন্না থবক শুরবদি কোরোনরি হার্ট দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ১৩ হেনগৎলকই। মতম শাংনা ওফিসতা ফমজিন্দুনা থবক শুরবদি নীংথিনা পোত্থাবা অমসুং হকচাং শাজেল তৌনবগী মতম ফংদে। মসিগীসু মথক্তা মতম শাংনা থবক শুবা মীওইশিং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা য়ু থকপগী হৈনবী থমগল্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ সেফিল্ডগী কার্দিওভাস্ক্যুলর মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা রিদর ওইবা ডা. টিম চিকোনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক থবক শুবগী মতম ককথবা হায়বসি ওইথোক্লরোইদবনিনা য়ারিবমখৈ থবক শুরিঙৈ মনুংদা ঙাইহাক ঙাইহাক হৌগৎলগা খোঙকাপ খরা চৎকদবনি অমসুং মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাগদবনি।

# য়াম্লবা শেনফম লৌদুনা শেংনা লৈজরিবশিংদা অমুবা মায়খুম উপশিন্নবা হোৎনরে : সুক

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): ককচিং নিংথৌ লৈকায় এল আই সী পরেংদা লৈবা ওজা অমনা নমথাক তৌদুনা অরানবা মওংদা মীয়ামদগী য়াম্লবা শেনফম কয়া লৌদুনা ওজাগী শিনফমদা শেংনা থবক তৌজরিবা ওজাশিংদা অমুবা মায়খুম উপশিন্নবা হোৎনরে হায়না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) কী পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোকচোম দোলরসেননা প্রসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ওজা অসি গ্রেস কোটেজ কলচরেল এন্দ এদ্যুকেসনল দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসন্দা ফিজিক্স সবজেক্ততা ওজা ওইবনি। ওজা অসিনা সী বি এস ঈ বোর্দতা ক্লাস টেনদা এগজাম পাস তৌহনগনি হায়না কুমজা ২০১৭ গী জুন থাদা মীওই খরদগী য়াম্লবা শেনফম লৌদুনা নমথাক তৌবীরে। এগজামসু পাস তৌহল্লক্তবদগী লৌশিনখিবা শেনফম হন্দোক্লবা হায়রুবদা হন্দোক্কনি হায়না মতম কয়া থাদুনা হৌজিক ফাওবা হন্দোকপীদ্রে হায়দুনা সুকতা অইবা চেরোলগা লোয়ননা ৱাকৎলকপদগী সুকনা ওজা অসিবু ৱারী শাননবা তাঞ্জা অমা লৌনবা চহীসিগী মার্চ থাদা অইবা চেরোল অমা থাখি।

মার্চ ৩০ দা ওফিসতা লাক্লবা খঙহল্লবসু লাক্তবদগী সুক ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী থৌমীশিং থাদুনা লাক্লবা হায়রবসু থৌশাদবদগী মহাক্লা ওজা ওইরিবা গ্রেস কোটেজ স্কুলদা মমাঙ থাগী ২৭ তা অইবা চেরোল থাদুনা সুককী ওফিসতা লাক্লবা খঙহনখি। মদুদসু লাক্তবনা মরম ওইরগা ওজা অসি সুকপু থওই-উশিৎতবা অমদি ওজা ওইবগী মিংদা মীয়ামদগী নমথাক তৌদুনা য়াম্লবা শেনফম কয়া খোমগৎপা অমদি কথোকপগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগীদমক খন্দুনা অফবা মহৈরোয় পুথোক্লবা হোৎনরিবা ওজা কয়াদা অমুবা মায়খুম উপশিন্নবা হোৎনরিবা অসি সুকনা কন্দেম তৌই। ওজা অসি অথুবদা সুককা ৱাখল তামিন্নদুনা লৈবাক মীয়ামদা শেংদোকপগী তাঞ্জা অদু লৌমিন্নগদবনি। ওজাগী মিংদা ওজা শাবা খরনা এজেন্ট ওইদুনা মহৈরোয়শিংবু অরানবা লম্বীদা লমজিংনবা হোৎনরিবা অসি খুদক্তগী লেপকদবনি। ৱাফমশিং অসি করিগুম্বা থৌশাদবা থোক্লবদি অমদি সুকতা অথুবদা লাক্ত্রবদি লৌখৎলকপা থবক খুদিংমক ওজা অসিনা মশানা য়ানা লৌগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# টৌটেল সট-দাউননা সুগনু এরিয়াদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): সুগনুগী গুনপি এরিয়াদা লৈবা সেন্ট জোসেফস হায়র সেকেন্দরি স্কুলবু মৈ থারম্বা থৌদোক্তা চেন্নবশিং লৈঙাক্লা এপ্রিল ৩০ ফাওবদা ফাগৎতুনা চৈরাক পীনবা জে এ সিনা মতম থাদুনা খঙহনখ্রবসু মরাল লৈবসিং ফাগৎপীদ্রে হায়না কৌখিবা মতম কক্তবা টৌটেল সট-দাউনগী খোঙজঙনা সুগনু এরিয়াদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে।

এপ্রিল ২৫ গী নুমিদাংদা থোকখিবা সেন্ট জোসেফস হায়র সেকেন্দরি স্কুল মৈ থারম্বগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা শেমখিবা জে এ সি অগেনষ্ট দ বর্নিং দাউন ওফ সেন্ট জোসেফস হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সুগনুনা শীন্দুনা চথুখিবা মতম কক্তবা টৌটেল সট-দাউনগী খোঙজঙ অদুগী মনুংদা সুগনু কৈথেল থোঙ লোন্নখি। সুগনু এরিয়াদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপকী মীওইশিং, শেন্ট জোসেফস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিং, ইমুং-মনুংগী মীওই কয়ানা থোক্লক্তুনা সুগনু কৈথেলদা ৱাকৎ-মীফম ফমদুনা খোঙজঙ চঙশিনখি। ৱাকৎ-মীফম অদুদা বুক দ কলপ্রিটস ইম্মিদিএটলি, লেট, অনবাইঅস জষ্টিস প্রিভেল, ইনস্যুর সেফটি ওফ ষ্টাফ, ষ্টুদেন্টস এন্দ এডমিনিষ্ট্রেসন, রিকনষ্ট্রক্ট দ বর্ন্ট স্কুল, ইনস্যুর সেফ এন্দ স্মুথ কন্দক্ট ওফ দ ক্লাস হায়বনচিংবা ৱাকৎ-ৱারোলসিং ইবা প্লে-কার্দসিংসু পায়খি।

খোঙজঙ অদুদা শরুক য়ারম্বী অমনা ফোঙদোরকপদা, লমদম অসোমগী অমত্তা ঙায়রবা, অফবা মহৈরোয় কয়া পুথোক্লিবা স্কুল অসিবু মৈ থাদোকপিরম্বা অসি য়াম্না লাইবক থীবনী। মরাল লৈবশিং অদুবু ঙসি ফাওবা মণিপুর লৈঙাক্লা ফাগৎপা ঙমদবা অসি লাইবক থীবনী। করিগুম্বা মরাল লৈবশিং ফাগৎতুনা চৈরাক পীনবা হোৎনদ্রবদি মখল-মখা কয়াগী হেন্না কনবা খোঙজঙসিং চঙশিল্লক্কনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

সেন্ট জোসেফ হায়র সেকেন্দরি স্কুল মৈ থারম্বা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা খোঙজং অসি চঙশিল্লকখিবনি। খোঙজং অসিনা মরম ওইরগা শুগনু কৈথেল ফম্ন খিদে। লম্বীদা মী চৎপগী চাং য়াম্না হন্থখি। স্কুল মৈ থাবগী থৌদোক্কী মায়োক্তা টৌটেল সট দাউন অসি চথুরকখিবনি হায়রি।

HL-B/5314/2/4-3/5

# কঞ্জুমর এৱ্যেরনেস এন্দ ইনষ্টিট্যুসনল মেকানিজম ফোর কঞ্জুমর প্রোটেক্সনগী ষ্টদি প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচ এন এস): সেন্টর ফোর কঞ্জুমর ষ্টদি, ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসনগী স্পোন্সরশিপ মখাদা মণিপুর ৱিমেন কোওর্দিনেটিং কাউন্সীলনা শীন্দুনা কঞ্জুমর এৱ্যেরনেস এন্দ ইনষ্টিট্যুসনল মেকানিজম ফোর কঞ্জুমর প্রোটেক্সন ইন নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট হায়বা হিরমদা ষ্টদি প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা কঞ্জুমর দিস্প্যুটস রিদ্রেসেল ফোরা ওফ ১৬ দিষ্ট্রিক্টস ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এন দিজমনিনা হায়খি, কঞ্জুমর এৱ্যেরনেস খঙবা য়াম্না তঙাইফদে। কঞ্জুমরগী এৱ্যেরনেস খঙদবা মীগী মশিংনা হেল্লি। লৈঙাক্লা ফন্দ পীদবনা মরম ওইরগা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকপা ঙমদবনি। ইম্ফাল এরিয়া অসি খরদি এৱ্যের ওই। মরম অসিনা মফম অসিদা কেস খরদি লাকই। হৌজিক কেস ৭০ রোম ৱাকৎলত্তুনা ট্রাইয়েল তৌরি। দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জুমর ফোরম অসি ট্রাইয়েল কোর্টনি। মখা তানা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামশিং নীংথিনা পাঙথোকপা তঙাইফদে। কঞ্জুমর অমা ওইবগী ফংফম থোকপা রাইটশিং নীংথিনা খঙবা চঙই। মীয়াম্না কঞ্জুমর রাইটকী মতাংদা নীংথিনা এৱ্যের ওইরবদি কেস মশিং হেনগৎলক্কনি। কঞ্জুমর হায়বসি কনাবু কৌবগে হায়বদু নীংথিনা খঙবা চঙই।

ঐখোয়না পোৎলম কয়া লৈরি। কঞ্জুমর অমা ওইনা ফংবা য়াবা রাইট কয়া লৈরি। রাইটশিং অসিগী মরমদা নীংথিনা খঙবা চঙই। কঞ্জুমর প্রোটেক্সন এক্টনচিংবা শেমদুনা মখল কয়াগী ফংফম থোকপশিং নীংথিনা পল্লিবনি। হিরমশিং অসিগী মরমদা নীংথিনা খঙলবদি কনাগুম্বনা পোৎচৈ লৈবা মতমদসু য়াম্না কান্নগনি।

পোৎ অমা লৈরুবা মতমদা পামদবা থৌওংশিং থেংনরবা অমদি অরানবা মওংদা পীশিল্লক্লবদি ৱাকৎপা য়াই। কঞ্জুমর দিস্প্যুট রিদ্রেসেল ফোরমদা ৱাকৎপা য়াবগী খুদোংচাবশিং পীরি। ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু অসিগুম্বা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি তোয়না পাঙথোক্লবদি কান্নগনি।

কঞ্জুমর রাইটকী মরমদা খঙ-হৈরবশিংনা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামদা ৱা ঙাঙবশিং নীংথিনা তাশিন্দুনা খঙহৌনবা হোৎনগদবনি।

ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা চঙশিল্লবদি কঞ্জুমর রাইটকী মতাংদা খঙবা ঙমগনি। ইম্ফালগী এরিয়াদা কঞ্জুমর এৱ্যেরনেস খরমখৈদি লৈ। কেস কয়া অমসু লাক্তুনা ট্রাইয়েল চথুরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দি আই সী ইম্ফাল ৱেষ্টকী হান্নগী জেনরেল মেনেজর এল দিজমনিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। সী সী এসকী প্রোফেসর কম কোওর্দিনেটর ডা. সুরেশ মিস্রা অমদি সী সী এসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর সপনা চাদানা থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখি। ৱাঙাঙলোয় কয়ানা কঞ্জুমরশিংনা ফংফম থোকপা রাইট কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

কঞ্জুমর এৱ্যেরনেস এন্দ ইনষ্টিট্যুসনল মেকানিজম ফোর কঞ্জুমর প্রোটেক্সন ইন নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট হায়বা হিরমদা ৱাঙাঙলোয় কয়ানা ৱাফম কয়া থমখি। কঞ্জুমর প্রোটেক্সনগা মরী লৈনবা চৎন-কাঙলোনশিং অমদি কঞ্জুমর অমনা মতৌ করম্না ৱাকৎপা য়াবগে হায়বনচিংবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। মণিপুর ৱিমেন কোওর্দিনেটিং কাউন্সীলগী সেক্রেটরি লাইশ্রম লক্ষ্মীনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিগী প্রোগ্রাম অসি কঞ্জুমর এৱ্যেরনেস পীনবা পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি হায়রি।




## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৪।০৫।২০১৯ ইং, থাংজ,
শজিবু থাশু

**মেষ:** হরাওবা নুংঙাইবা নিংবা থুংবা, পাউ নুংঙাইবা তাই অমদি মরূপ মপাংনা লোইনবা পামই। নাপলনা য়েক্লবা হেনগৎকনি অমদি চরাংনবনা কাইনবা নংগনি। পুক্নিং ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী-ৱারৌনবনা পোত্থাফম ফংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** মুক্লবনা অমদি নোঞ্জবা হৈতবনা মাংজবনা হেনগনি। ইমুং মনুংদা ঈংনা থৌ পাংনবা হোৎনবনা য়াইফবা ওইগনি। অফা অপুন নংবা য়াবা থবক্তা য়াওরুনু। নাইতোম থৌ পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙক কল্লদি কাইনবা নংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মিথুন:** ওইজ ওইথক তানবদা চাওনা মাই পাক্কনি,ৱাখল লৈগনি অদুনা চরাংনবা তৌদনা অফবা থবক পাংলো শোইদনা মাই পাক্কনি। নথক থোংববু মীরাইগনু। খাংবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী-খাঙবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** হকচাং নুংঙাইগনি, লৌশিং চাওবদা নত্তনা পুকচেল চাওবা নুমিৎনি-অদুনা কত্থোকপা অমদি দান ঙম্বা নুমিৎনি। লাইগুরুনা চানগনি।মীৱা লৌরদি মাংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-ওইদবনা মাংওইনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা

**সিংহ:** অৱাবা খরা মায়োক্লরসু শেল থুমগী থবক্তা মাই পাক্কনি অমদি মীয়াম্না থোইনা লুনা তৌবিগনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অমদি য়েংথিনৈ অদুনা মীকোক থোংবদি ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী: নুংশি মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** ৱাখল ইথোক থোক্তে, পাংনিংবা থবকসু মঙম শান্দে অমদি ফংবা য়াবসু পনবা লৈগনি। অদুবু নক্লবা মীগদি মরী ফগনি, খুদোংচাবা ফংলদি থৌনা ফুদোকপা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** নিংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা নুমিৎনি, ললোন ইতিক্কী লমদা খুৎচাও থাবা কান্নগনি অমদি পাংবা ঙমদবা থবক লৈরল্লসু ঙসি পাংহৌবা য়াগনি। লৌশিং অমদি মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** মাই পাকচবা, লাইবকসু ফবা, মীচং হেনগৎপা নুমিৎনি। য়েক্লবা লৈরল্লসু মাংখিনি, চাদিং হন্থবা ঙমগনি। লম চৎপদি হন্থবা লোইনগনু,নাইতোম ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা

**ধনু:** অকিবা য়াওদনা থৌ পাংবনা কান্নবা ময়াম ফংগনি, পন্দুনা লৈরুবা শেল থুম্নচিংবা ফংনবা হোৎনবসু কান্নরনি। অদুবু ৱাজাও ঙাংবা অমদি হোয়া ফবদি য়ারোই-য়াকা য়েংউ।
লৈশা পাখংশিংগী- তুংগী খল্লগা ৱা ঙাঙলনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মকর:** চরাংনগনু মরূপ মপাংগা মরী ফরোই, অশাওবনা নচা ননাইদা তাইনবা অমদি শোক পনবা য়াবা লৈগনি। নথক থোংবনদি য়াই অমদি মীংচৎ ফংগনি। খুরৌথাংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হাইজবা তাবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্বা:** য়েক্লবা কোকই অদুবু লৌশিং ৱাৎপনা অখং অহৈগী পাউতাক লৌদ্রদি থবক মাংগনি। ললোন ইতিক্কী লমদা অমদি অনৌবা থৌরমদদি চাওনা মাই পাক্কনি। মীতোপতি থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লৈ লাইবক ফগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা

**মিন:** শকখঙদবগা য়েংথিনবা য়াবা লৈ অদুনা ৱাঙাঙ হৈয়ু অমদি চীন য়াঙগনু। ইচং থৌবনা নরল কাইনবা মরম লাক্কনি। শাগৈ অমদি ইমুং মনুং ৱাতান্নবা থোইনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ-নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।